# গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর

## শ্রী এন বিরেন সিংহ
## ওনরেবল চিফ মিনিষ্টর
## (ইন–চার্জ ফাইনান্স) না

# ২০২৪–২৫ গী
# বজেটকী পীগদবা ৱারোল

## জুলাই ৩১, ২০২৪

মিষ্টর স্পিকর সার, অদোমগী অয়াবা লৌজরগা, ঐহাক্না চহী ২০২৪–২৫গী বজেট অসি লান্থোকচরি।

২. অহৌবদা, ঐহাক্না রাজ্য অসিগী মীয়ামনা অৰাবা তারবা মতম অসিদা হনবা লৈতবা থৌনাগা লোয়ননা মতেং পাংবিবগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মতম অসিদা ঐখোয়না মীয়ামদগী অফবা সজেসন কয়া অমা ফংখি অমদি মসিগী মশক ৰাহন্থোক লৈবা মহৈ য়াহল্লনবগীদমক্তা ঐখোয়না থবক পায়খৎচরি। হৌখিবা চহী অমা অসিদা ঐখোয়না থেংনখিবা অসি অৰাবনা পীক থল্লবা থৌদোক অমনি। খুন্দামিন্নরিবা জাতিশিংগী মরক্তা থাজবা মাঙলকপনা মরম ওইরগা ওইহল্লকপা মীওইবা কয়াগী পুন্সি, লন–থুম অমদি হিংনবগী লন্মী কয়া মাঙবা অসিবু ঐহাক্না নুংনাংবা পোকই। অমত্তা ওইবগী য়ানবা পুরকপা হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্কী থৌদাংনি।

৩. সার, তংদু লৈতাদবা অসিনা শোকহল্লিবা অসিগী মনুংদা ঐখোয়গী শেল–থুমগী ফিভম অসিসু অমনি। ইশাগী রেভিন্যু কল্লেক্সন হন্থরকপা, সেক্যুরিটি অমদি রিলিফ ওপরেসনশিংদা চাদিং হেনগৎহনবা, ইনফ্লেসন, পোৎ–চৈ পুথোক–পুশিন অমদি সার্ভিসকী চথোক–চৎশিন তৌবদা অৰাবা মায়োক্নবা, প্রোজেক্ট অমদি স্কীমনচিংবশিং পায়খৎপদা অৰাবা মায়োক্নবনচিংবশিং অসিনি ঐখোয়না ঙসি মায়োক্নরিবা অৰাবশিং। রাজ্য অসিদা হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিল্লক্লিবা অসিনা ঐখোয়গী টেক্স কল্লেক্সন অসি মাঙলোমদা চঙশিল্লকপগী মমি অমা তারি। ফগৎলক্লিবা মওং অসি চৎলিবা চহী অসিদসু মখা চত্থখিগনি হায়না ঐহাক্না তশেংনা থাজে।

৪. ঐখোয়না রাজ্য অসিগী ইকোনোমিবু অমুক ফগৎহন্নবগী লন্মীদা থবক পায়খৎলি। শান্তি অমদি অকি–অখং লৈতবা ফিভম অমা পুরকপা, লাঞ্জেন্নরক্লবশিংদা মতেং পীবা, হিংনবগী লন্মী লৈজদবা কনাদা লন্মী পীবা, খূৎ–শা হৈহনবগী খুদোংচাবা পীবা অমদি

মশক থোকপা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা শেল থাদবা অসি ঐখোয়না পায়খৎলিবা খোঙথাংশিংগী মনুংদা খরনি।

## কেন্দ্র সরকারদগী মতেং অমদি রিলিফকী থবকশিং

৫. স্পিকর সার, ঐহাক্না কেন্দ্র সরকারনা পীরক্লিবা অচৌবা মতেংশিং অদু থমজগে। হৌখিবা চহী অমসিদা, কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য অসি শেল-থুম অমদি মেনপৱার অনীমক্কী মতেং পাংদুনা লাক্লি। রাজ্য অসিনা মায়োক্নরিবা রেভিন্যুগী অমাঙবা অসি মেনখৎনবা, কেন্দ্র সরকারনা রেভিন্যু লোসকী স্পিসিএল এসিষ্টেন্স ওইনা লুপা কোটি ৫০০ পীরকখি। মসিগীদমক্তা ঐহাক্না ভারত সরকারবু থাগৎপা ফোঙদোকচগে। ইং ২০২৩-২৪দা এক্সটরনেল্লি এদেদ প্রোজেক্টশিংগী ফণ্ড ওইনা কেন্দ্র সরকারনা লুপা কোটি ৫৬৫গী শেনফম থাদোকপীরকখি। মসি সরকার অসিনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী থবকশিংদা শেল থাদবদা শীজিন্নখি। মখা তানা, সেক্যুরিটিগা মরী লৈনবা এক্সপেন্দিচরশিংগী ওইনা লুপা কোটি ১৫০সু থাদোরকখি।

৬. ঐহাক্না কেন্দ্র সরকার অমদি রাজ্য সরকার অনিনা পায়খৎখিবা রিলিফকী থবকশিং অদুগী মতাংদা তেন্তক্না থমজগে। তংদু লৈতাদবা থৌদোক অসি হেক থোক্লকপদগী, **রাজ্য অসিদা হিংসানা মরম ওইরগা লাঞ্জেন্নরক্লবা মীওইশিংগীদমক্তা রিলিফ কেম্পশিং শানবগীদমক্তা ৱান-টাইম স্পিসিএল এসিষ্টেন্স ওইনা লুপা কোটি ১০১.৭৫ গী রিলিফ পেকেজ অমা অখন্নবা মতেং ওইনা কেন্দ্র সরকারনা এপ্রুভ তৌবিরকখি**। স্কীম অসিগী মখাদা থাদরকখিবা শেনফম অসি রিলিফ কেম্পশিং চলাইবদা তঙাইফদনা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং হায়বদি, চেঙ-হৱাই, অচা থাও, এঞ্চাং-নাপী, ঈশিং, শঙ্গোম, শাপোন-শুধা নচিংবা লৈবা অমদি রিলিফ কেম্পশিং শেমজিনবদা ৱান-টাইম এক্সপেন্স ওইনা চঙবা পোৎলমশিং হায়বদি, সিঃজিঃআই

সিটশিং, মোম্পাক, মোম্পাক ফিদক, ফৈজুপ, গ্যেস স্তোভ, চাকথোং কোল–লিকশিং, ইলেক্ট্রিককী পোৎলমশিং, বালটিন্নচিংবশিং লৈবদা চঙবা শেল অদুদা থাদখি।

৭. অতোপ্পা লুপা **কোটি ২০৯.৪৫গী** পেকেজ অমনা, **রিলিফ অমদি রিহেবিলিটেসনগী স্কীমশিং চলাইনবা অমদি হৌজিক ওইরিবা শান্তি–রক্ষাগী ফিভম অসিনা শোকহন্দুনা ভিক্তিম ওইরবা মীওইশিং** অদুগী রিহেবিলিটেসনগীদমক্তা এপ্রুভ তৌবিরকখি। লাঞ্জেন্নরক্লবা ইমুং মনুংশিংগী **তেম্পররি সেল্টর লীশিং ৩ শানবা লুপা কোটি ১৪৫.১৮গী শেনফমগী স্কীম** অমা কেন্দ্র সরকারনা এপ্রুভ তৌবিরকখি।

৮. কেন্দ্র সরকারনা এপ্রুম তৌবিরকখিবা অতোপ্পা স্কীম অমনা, **লৌমীশিংদা কম্পেনসেটরি পেকেজ পীবগী স্কীমনি**। স্কীম অসিগী মখাদা, লুপা কোটি ৩৮.৬০ এপ্রুভ তৌরে অমদি হৌজিক ফাওবদা লুপা কোটি ১৮.৯১ থাদোরকখ্রে। ঙসি ফাওবদা হায়রিবা শেনফম অসি অপূনবা লৌমী মশীং লীশিং ৩গা চামরি মরিফুহুমদোই (৩,৪৮৩) দা য়েঙ্থোকখ্রে।

৯. কেন্দ্র সরকারনা **লুপা কোটি ৮৯.২২গী** শেনফমগা লোয়ননা এপ্রুভ তৌরিকখিবা অতোপ্পা স্কীম অমদি **‘স্কীম ফোর কমপ্লিমেন্টরি নিউট্রিসন এণ্ড পার্সনেল হাইজিন’** অসিনি। স্কীম অসিনা হকচাংদা মচি ওইগদবা দাইট শঙ্গোম, য়েরুম, ওট নচিংবা অমদি নোন–দাইটরি ওইবা কমপ্লিমেন্টরি ওইবা মতেংদা দাইপর অমদি লিমসি টেব্লেট অমসুং রিলিফ কেম্প খুদিংমক্তা লৈরিবা ইনমেটশিংদা ৱান–টাইম সপ্পোর্ট ওইনা ব্লাংকেট, ফ্লাস্ক অমদি ষ্টোরেজ বোক্সশিং লৈনবা পীরি। স্কীমশিং অসিগীদমক্তা রাজ্য সরকারনসু মশাগী রিসোর্সতগী ফণ্ডশিংসু থাদোকখ্রে অমদি মতম মতমগী ওইনা সেন্তরদগী রিইমবর্সমেন্ট ক্লেম তৌরি।

১০. **হিংসানা শোকহল্লবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা** কেন্দ্র সরকারনা আইঃটি সার্ভিসশিং পীনবা এপ্রুভ তৌরকখ্রে। লুপা **কোটি ১১.০০** থাদনবা অমদি নোড অমমম্দা লুপা লাখ অমা চঙনা হিংসানা শোকহল্লবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা **কম্প্যুটর লীশিং ১ গা চাম্মা (১,১০০) ইন্সটোল তৌনবা** প্লান চত্থরি। মসিনা হিংসানা শোকহল্লবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। মসিগী সেন্তরশিং অসিনা ইন্টরনেট একসেস পোইন্ট ওইনা মথৌ তৌরগনি অমদি কমপ্যুটর বেজ একজাম সেন্তরসু ওইরগনি। মখা তানা, রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ইনমেটশিং অসি পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা, লুপা **কোটি ৩.৩৫** চঙনা রিলিফ কেম্পশিংদা টিঃভি সেটশিং খিনখ্রে।

১১. ফিরোল অমদি মশাগী শীজিন্ননবা পোৎলমশিংদা চঙবা চাদিং অদু থুংনবা হোৎনবদা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংনা (আইঃদিঃপী) মায়োক্লরিবা অৱাবশিং অদুগী য়েংলগা, রাজ্য সরকারনা মীওই অমমম্দা শেলগী মতেং ওইনা লুপা লীশিং অমমম্গী মতেং পীরি। হৌজিক ফাওবদা, মসিগী মতেং অসি মরিরক ফংহনখ্রে অমদি মসিদগী আইঃদিঃপী লীশিং ৬ না কান্নবা ফংখ্রে। মসিগী রিলিফকী খোঙথাং অসিদা লুপা কোটি ২৩.৪৮ খরচা তৌখ্রে।

১২. রাজ্য সরকার অসিনা দিসপ্লেস পার্সনশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং, মরুওইনা মখোয়গী ময়ূম-মকৈ মাঙ-তাকখিবা অদু খঙই। য়ূম মৈ থাদোকপীখ্রবা দিসপ্লেস পার্সনশিংগী ওইনা পার্মানেন্ট হাউসিং স্কীমগী মখাদা রাজ্য সরকার অসিনা অহানবা ফেজগী ওইনা লুপা কোটি ৩৭৫ চঙনা পার্মানেন্ট য়ূম লীশিং ৫ শানবা স্কীম হৌদোক্লে। স্কীম অসিগী মখাদা, মরী লৈনবা দিঃসিশিংনা স্কীম অসিগী থবকশিং পায়খৎনবা লুপা কোটি ২১.৬৭ কাইথোকখ্রে।

১৩. য়ূম মৈ থাদোকপিখ্রবা মীওইশিংদা মরক্কী ওইনা ইন্টেরিম রিলিফ স্কীম ওইনা দিসপ্লেস পার্সনশিংদা মতেং পীনবা রাজ্য সরকারনা পায়খৎপা হৌখ্রে। চাদা ২৫গী এদভান্স ওইবা, লুপা কোটি ১৫গী শেনফম অসি সরকার অসিনা শোকহল্লবা য়ূমথোংশিংদা কাইথখ্রে।

১৪. খ্বাইদগী শাংবদা নুমিৎ হুমনি ফাওবা, রাজ্য সরকারনা কেন্দিদেট অমদা নোংমগী ওইনা লুপা লীশিং ৩গী শেলগী মতেং অসি চীংগী মফমশিংদগী ইউঃপিঃএসঃসি গী পরিক্ষা থাগদবা কেন্দিদেটশিংদা মতেং পীখ্রে। হৌজিক ফাওবদা, খুদোংচাবা অসিগীদমক্তা কেন্দিদেট অমদা লুপা লীশিং ৯-৯গী চাংদা কেন্দিদেট ৩২৬তা য়েন্থোক্লবগীদমক্তা রাজ্য সরকারনা লুপা লাখ ২৯.৩৪ গী শেনফম খরচা তৌখ্রে।

১৫. লৈখিদ্রবা নত্ত্রগা শোক্লবা মীওইশিংদা রাজ্য সরকারনা এক্স-গ্রেসিয়া পীনবগীদমক্তা **লুপা কোটি ১০গী ষ্টেট কোর্পস ফণ্ড** শেমখ্রে। মসিনা, তংদু-লৈতাদবা ফিভম অসিদা লৈখিদবা মীওইশিংগী হেক মচা-মশূদা এক্স-গ্রেসিয়া ফংহনবদা অৰাবা মায়োক্লরোই।

১৬. ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন্স (আইঃদিঃপি) শিং অসিনা মায়োক্লরিবা অৰাবশিং অসি কোকহন্নবা চাং নাইনা ইনকম লৈহননবগীদমক্তা, ঐহাক্কী সরকার অসিনা '' **চিফ মিনিষ্টর এন্টরপ্রাইজ এণ্ড স্কীল স্কীম (সিঃএমঃইঃএসঃএস) – স্পিসিএল সপ্পোর্ট টু সকসেসফুল ষ্টাট-অপ এণ্ড ওন্ত্রেপ্রেনোর্স ফোর এমপ্লোইমেন্ট ওফ আইঃদিঃপি**'' হৌদোক্লে। স্কীম অসিগী মখাদা, আইঃদিঃপি শিংবু মখোয়-মখোয়গী এন্টরপ্রাইজশিংদা থবক পীগনি হায়বা ষ্টার্ট-অপশিংদা চাদা ৩৫গী সবসিদিগা লোয়ননা লুপা কোটি ১ ফাওবগী শেলগী মতেং পীগনি। **সিঃএমঃইঃএসঃএস ফোর আইঃদিঃপি** গী মখাদসু, শেল থাদবা য়াবা বিজিনেসকী থবক অমা হেক্তা, হায়বদি, মশাগী মতিক চানা বেঙ্কেবল

বিজিনেস এক্তিভিটি অমদা চাদা ৩০গী সবসিদিগা লোয়ননা লুপা লীশিং ৫০ ফাওবগী ৰান–টাইম ক্রেদিট পীরি অমদি হৌজিক ফাওবদা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদগী য়াওনা আইঃদিঃপি ৩৩৯দা লুপা কোটি **১.৬১**গী শেলগী মতেংগা লোয়ননা কান্নবা ফংহনখ্রে।

১৭. রিলিফ কেম্পশিংগী ইনমেটশিংদা হিংনবগী লন্বীদা অহেনবা খুদোংচাবা ফংহন্নবা অমদি **শেমগৎনবগীদমক্তা,** রাজ্য সরকার অসিনা সরকারগী লোয়শঙশিংগী দরকার লৈবা পোৎলমশিং অদু রিলিফ কেম্পকী ইনমেটশিংনা শাবা পোৎলমশিং অদুদগী শীজিন্নবা ৰারেপ লৌখ্রে। মসিগীদমক্তা, দি মণিপুর হেণ্ডলুম এণ্ড হেন্দিক্রাফট কোর্পোরেসন (এমঃঐচঃঐচঃদিঃসি) অমদি মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসন (এঃএসঃআরঃএলঃএম) বু নোদেল এজেন্সি ওইনা খল্লে। খোঙথাং অসিগীদমক্তা অহানবগী তাঙ্কককী ওইনা **লুপা লাখ ৫০.০৭** শেনফম এমঃঐচঃঐচঃদিঃসি দা কাইথখ্রে।

১৮. **নুপীদা চথবা ক্রাইমশিং থেংননবা,** লুপা কোটি ৫ খাক্তুনা থল্লে অমদি ''**নালসা স্কীম ফোর কম্পেন্সেসন টু ভিক্তিমস ওফ ক্রাইমস এগেন্সট ৱুমেন**'' গী মখাদা খুদক্কী ওইবা মতেং পীনবগীদমক্তা শেনফম অসি মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিস ওথোরিটিদা শীন্নখ্রে।

১৯. লাঞ্জেন্নরক্লবা মীওইশিংগী রিলিফ অমদি রিহেবিলিটেসনগীদমক্তা মতিক চাবা ফণ্ডশিং মখা তানা পীখিগনি।

**দিজাষ্টর রেসপোন্স**

২০. স্পিকর সার, মীয়ান্না খঙনরে মদুদি হান্না অমুক্তা উখিদ্রিবা মওংদা রাজ্য অসিদা চহী অসিগী মে থাদা লেনগী শাফু ফংখি। মশীং য়াল্লবা য়ূম কয়া অমা মাঙ তাকখি। ঐখোয়না খোঙলৈ থুনা য়েংশিনখি অমদি দিঃসি শিংগী খুখাংদা ষ্টেট দিজাষ্টর রিলিফ ফণ্ড (এসঃদিঃআরঃএফ) গী মখাদা লৈবা ফণ্ডশিং শীজিন্নদুনদা শোকহল্লবা য়ূমশিংদা জিংঘা পীখি। মসিগী মতুং তারকপদা মে অমদি জুলাই থাদা অনীরক থোক্লা ঈশিং ঈচাও লাকখি। ঈচাওশিং অসিনসু রাজ্য শীনবা থুংনা অমাঙ-অতা থোকহনখি।

২১. ঈশিং ঈচাও অমদি দিজাষ্টর অসিনা পীখিবা শাফূশিং অদু মেনেজ তৌনবা য়ূমথোঙ অমদা লুপা লীশিং ১০ পীরে। মসি এসঃদিঃআরঃএফ তগী কাইথরকপা লুপা কোটি ৬০দগীনি। অহেনবা লুপা কোটি ২০ অমগসু হন্দক্তা এপ্রুভ তৌখ্রে। সেন্তরগী টিম অমসু মে থাদা লেন তাখ্রবা অমদি ঈশিং ঈচাও থোকখ্রবা মতুংদা রাজ্য অসিদা লাকখি অমদি থোকখিবা অমাঙ-অতাশিং অদু য়েংশিনখি। লেন-না থোকহনখিবা অমাঙ-অতাশিং অদুগী কম্পেন্সেসন পীনবা প্রপোজেল অমা কেন্দ্র সরকারদা থাংগৎখ্রে। ঈশিং ঈচাওনা থোকহনখিবা অমাঙ-অতাশিংগী কম্পেন্সেসন পীননবা অতোপ্পা প্রপোজেল অমসু কেন্দ্র সরকারদা ঐখোয়না লানখৎখ্রে।

## সরকার অসিগী এচিভমেন্ট খরা

২২. সার, খুদোংচাবা অসি লৌরগা ঐহাক্লা সরকার অসিগী এচিভমেন্ট খরা থমজগে।

২৩. **জল জিবন মিসনগী মখাদা,** স্কীম ৮৪ লোইরে অমদি হৌজিক পায়খৎলিবা স্কীম লীশিং ১গা চনি হুম্ফুতরা হুমদোই (১২৭৩) অসিগী ওইনা চাদা ৯০ লোইশিল্লে। য়ূমথোং লাখ ৪.৫১গী মনুংদা, য়ূমথোং ৩.৫৮দা 'ফঙ্কসনেল হাউসহোল্ড টেপ কন্নেক্সন্স' (এফঐচটিসিএস) পীবা ঙল্লে। মসি চাদা ৭৯.৪৫গী চাংদা কোনশিনবা ঙল্লবনি। রাজ্য

অসি খুঙ্গং ২৯৩ অসি ইং ২০২৪ গী জুলাই ১ ফাওবদা হর ঘর জল ভিলেজ হায়না সার্তিফাই তৌরে।

২৪. **অমরুট ১.০গী মখাদা,** ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মফমশিং চাদা ৮৬ কোনশিন্দুনা **স্মার্ট ৱাটর মিটর** লীশিং ৩৮ ইন্সটোল তৌখ্রে। অৱাং নোংপোক ভারত্তা মণিপুরনা স্মাট ৱাটর মিটর পানবা খ্বাইদগী অহানবা রাজ্য ওইরে অমদি মসিমক রাজ্য অসিগী অৱর্বান লোকেল বোদি খুদিংমক্তসু য়ৌশিন্নবা ঐখোয়না হোৎনরি। অমরুট ২.০গী মখাদা, লুপা কোটি ১৪৬.০৭ চঙগদবা ৱাটর সপ্লাই প্রোজেক্ট ২১ এপ্রুভ তৌরে। মখাতানা অৱর্বান এরিয়াশিংদা লৈবা ৱাটর বোদি ২১ শেমগৎনবা থবক পায়খৎলি অমদি মসিনা ঈশিং য়োক্তুনা থম্বগী শক্তি অদু হেনগৎহনবগা লোয়ননা অৱর্বান এরিয়াশিংদা ঈশিংগী অৱাবা লৈরিবা অদু হন্থহল্লগনি।

২৫. **পৱার সেক্তর** ফগৎহনবা হায়বসি রাজ্য সরকার অসিগী অহেনবা মিৎয়েং চঙলিবা হীরম অমনি। ইং ২০২২–২৩গী দিসকোমগী কঞ্জ্যুমর সার্ভিসেস রেটিংসগী লেটেস্ত রিপোর্টকী মতুং ইন্না ষ্টেট দিসকোম (এমঃএসঃপিঃদিঃসিঃএল) না মসিগী হান্না লৈরম্বা গ্রেদ বি+ অদুদগী গ্রেদ–এ দা কাখৎপা ঙল্লে। হৌজিক্কী এমঃএসঃপিঃদিঃসিঃএল অসি লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি তরাগী মনুংদা অমা ওইবা ঙল্লে। মণিপুর অসি লৈবাক অসি প্রিপেদ মিটর পানবা মাঙজিল থাবা রাজ্য অমনি। রাজ্য অসিদা লৈরিবা ইলেক্ত্রিসিটি কঞ্জ্যুমর লাখ ৫.২১গী মনুংদা, কঞ্জ্যুমর লাখ ৪.৯২দি প্রিপেদ কঞ্জ্যুমরনি।

২৬. **হকশেলগী লমদা,** রাজ্য অসি খুমাং চাওশিল্লি। মণিপুরনা এসঃদিঃজি–৩ গুদ হেল্থ এণ্ড ৱেল বিয়িংগী টার্গেট গোল অদু ফংনবগী লম্বীদা লেপ্তুনা চঙশিল্লি। নিটি আযোগ এসঃদিঃজি ইন্দিয়া ইনদেক্স ২০২৩–২৪গী মতুং ইন্না, মণিপুরগী স্কোর অসি

৭৫দগী ৬৮দা হায়গৎলে অমদি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা ত্রিপুরাগী মতুংদা অনিশুবা পোজিসন তারি। পিঃএম জন আরোগ্য যোজনাগী মখাদা, বেনিফিসরি লাখ ৬ লীশিং ২গা চনিগা হুম্ফুমরিদা (৬,০২,২৬৪) আয়ুসমান কার্দশিং য়েন্থোকখ্রে অমদি মসি চাদা ৪৫গী চাং কোনশিবা ঙম্লবনি। লেমহৌরিবা লাখ ৪, লীশিং ৮১, চামরি নিফুমঙা (৪,৮১,৪৪৫) অসিনা ২০২৪গী দিসেম্বরগী তাং ৩১ ফাওবদা কোনশিল্লগনি। ২০২২গী সেপ্তেম্বরদা, অপিকপা রাজ্যশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্বা আয়ুসমান কার্দ শেম্বা রাজ্য অমা ওইনা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এণ্ড ফেমিলি ৱেলফিয়ারনা মণিপুরবু শকখঙবিরে। লোয়ননা মিনিষ্ট্রি অসিমক্লসু ২০২৩গী সেপ্তেম্বরদা রাজ্য অসিদা কাইথরক্লিবা শেন্থংশিং অদু মপূং ফানা শীজিন্নবা অমদি বেনিফিসরি লীশিং ১ খুদিংগী খ্বাইদগী য়াম্বা বেদ এমপেনেল্ড মশীং লৈবগীদমক্তা শকখঙবিরে।

২৭. **মহৈ-মশিংগী হীরমদা,** তঙাইফদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং, খুদম ওইনা, ইলেক্ট্রিসিটি, ঈশিং অমদি সেনিটেসনগী ফিভম ফগৎহল্লে। স্কুলশিংগী চাদা ৫১দা হৌজিক্তী ইলেক্ট্রিসিটি ফংলে। টার্গেটেড সেকেণ্ডরি অমদি সিনিয়র সেকেণ্ডরি স্কুল ২৪০ মক্তা সোলার পেনেলশিং হাপ্লে লোয়ননা টার্গেটেড ইলিমেন্টরি স্কুল ৪৩৪গী মনুংদা স্কুল ৩৬৭তা সোলর পেনেলশিং পাল্লে। সরকারগী মহৈ লোয়শঙ খুদিংমক্তা থক্লবা ঈশিং ফংহল্লে অমদি স্কুলশিংগী চাদা ৭৫দা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী তোখাই-তোখাইবা তোইলেটশিং থল্লে।

২৮. **ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপ প্রমোৎ তৌবা** হায়বসি ঐহাক্কী সরকার অসিগী মরুওইবা পান্দম অমনি। হৌজিক ফাওবদা, মণিপুর ষ্টার্টঅপ স্কীমগী মখাদা ৫৮৪৮ ষ্টার্টঅপশিং অমদি ওন্ত্রেপ্রেনোরশিংদা শেলগী মতেং পীরি অমদি লুপা কোটি ১২৯ হেনবগী শেনফম থাখ্রে। শেনফম অসিগী মনুংদা সবসিদি লুপা কোটি ৫৭.৫৪ য়াওরি। ওন্ত্রেপ্রেনোরগী ইকোসিষ্টেম মখা তানা ফগৎহন্নবগীদমক, ঐখোয়না গুৱাহাটিগী নেদফিগা খুৎশন্নদুনা

ভেঞ্চর ফণ্ডশিং শেম্লে। ঐখোয়না মণিপুর ক্রেদিট গেরেন্টি স্কীম (এমঃসিঃজিঃএস) গীদমক্তা সিঃজিঃটিঃএমঃএসঃই অমদি সিদবিগা খূৎশন্নদুনা চৎলি অমদি মসিনা এমঃ এসঃএমঃই অমদি ষ্টার্টঅপশিংদা লুপা কোটি ৭০০ হেনবগী তেংবাং পীবা ঙম্লগনি। হৌজিক ফাওবদা এমঃসিঃজিঃএস কী মখাদা এমঃএসঃএমঃই ২২০৬ তা লুপা কোটি ১৫২.০৬গী কান্নবশিং ফংহনখ্রে।

২৯. **চিফ মিনিষ্টর্স ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপ সপ্পোর্ট স্কীমগী** মখাদা, 'ৱান ফেমিলি এণ্ড ৱান লাইভলিহুড' কী পান্দমগা লোয়ননা, অপিকপা এন্টরপ্রাইজশিংদা চাদা ৩০গী সবসিদিগা লোয়ননা বেনিফিসরি অমদা লুপা লাখ ১০ ফাওবগী মতেং পীরি। এপ্লিকান্ট ৮০০ খনগৎলে অমসুং বেঙ্ক এপ্রাইজেল হৌরে লোয়ননা ২০২৪গী জুলাইদগী বেঙ্কশিংদা লোন পীথবা হৌখ্রে।

৩০. খুদোংচাবা অসি লৌজরগা ঐহাক্লা থমজগে মদুদি ঐখোয়গী সরকার অসিনা অনৌবা খোঙথাং কয়া অমা পায়খৎপদা থৌদাং লৌরি। চিফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং, মণিপুর ষ্টার্টঅপ পোলিসি, খুঙ্গং চৎসি, চীংদা চৎসি, চিফ মিনিষ্টরগী শোত্থরবশিংগী তেংবাং, চিফ মিনিষ্টরগী আর্টিষ্টশিংগী তেংবাং, মেরিটোরিয়স স্পোর্টসপার্সনশিংগী পেন্সন স্কীম, চিফ মিনিষ্টর্স স্পোর্টসপার্সন্স লাইভলিহুড গেরেন্টি স্কীম, ইমা নোংথাং লৈমা য়াইফ তেংবাং স্কীম নচিংবা ঐখোয়গী মশক থোক্লবা পোলিসিশিং অসিনা মণিপুরগী মীয়ামগী পুন্সিদা অফবা মায়কৈদা অওনবা পুরকখ্রে অমদি তুংদসু পুরক্কনি হায়বসি ঐহাক্লা থাজে। চাম্মা থোক্লা খন্নরবা মতুংদা য়ু য়োনবদা লৈরম্বা অথিংবা অদু লৌথোকপগী খোঙথাং লৌখৎখিবদুসু সরকার অসিননি।

৩১. সরকার অসিনা শক্তি পায়রকপদগী, রাজ্য অসিদা মপূম ওইনা চাওখৎপা পুরক্লবগীদমক্তা মখল কয়াগী খোঙথাংশিং লৌখৎখ্রে। রাজ্য অসিদা লৈরিবা অহল-নহা,

নুপী–অঙাং খায়দনা মীপুম খুদিংমক্তা চাওখৎপগী মহৈ অসি য়ৌহনবা হায়বসি ঐখোয়গী অনীংবনি। অতোপ্পা কয়া অমগী মনুংদা হকশেল, নাৎ–চৎনবী, শান্ন–খোৎনবা, ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপ, সমাজদা শোত্থরবশিং, ঙাক–শেল অমদি চখোক–চৎশিনগী হীরমশিং কোনশিন্নবা ঐখোয়না লৌখৎলিবা থৌরাংশিং অসিগী পান্দমনি। হন্দক্তা হৌদোকখিবা স্কীমশিং অসিগা লোয়ননা, ঐখোয়না সরকারগী স্কীমশিং অসিগী কান্নবশিং অসি কাচিন–কোয়া খুদিংমক্তা লৈরিবা নাগরিক খুদিংমক্তা য়ৌহনগনি হায়বগী আশা থল্লি। মসিগী পোলিসিশিং অসিনা কেন্দ্র সরকারগী হৌজিক পায়খৎলিবা স্কীমশিং অসিগী অৰাৎ–অপাশিং মেনখৎপা ঙম্লগনি।

## য়ুনিয়ন বজেট ২০২৪গী মচং ওইবশিং

৩২. স্পিকর সার, ঐহাক্না হন্দক্তা লাওথোকখিবা ২০২৪–২৫গী য়ুনিয়ন বজেট অদুগী মতাংদা তেন্তক্না থমজনিংই মরমদি মদুদা য়াওখিবা অনৌবা থৌরাংশিং অদুনা রাজ্য অসিদসু পোজিটিভ ইম্পেক্ট পীগনি খল্লি।

৩৩. অহানবদা, ঐহাক্না কেন্দ্র সরকারবু হৌখিবা চহী খরা অসিদা শেল–থুমগী ফিভম অসি হৈ–শিংনা শেন্নখিবগীদমক্তা থাগৎচনিংই। ভারত অসি মালেমদা মনিগুম ঙল্লিবা খুদম অমনি অমদি লাক্কদৌরিবা চহীশিংদসু লৈখিগনি।

৩৪. কেন্দ্র সরকারনা পোলিসি কয়া অমা লাওথোকখি অমদি মদুনা রাজ্য অদিসু পোজিটেভ ইমপেক্ট অমা পীরগনি। য়ুনিয়ন বজেটনা লৌউ–শিংউগা মরী লৈনবা রিসর্চশিংগী মতাংদা মপূং ফাবা রিভিউ অমা তৌগনি হায়না লাওথোকখিবা অদু অফবা খোঙথাং অমনি অমসুং মদুনা লৈবাক অসি চান–থক্লবা পোৎলমশিং পুথোকপদা মতেং পাংলগনি অমসুং নোংজু–নুংশা খাঙবা ঙম্বা মহৈ–মরোংগী ভেরাইটি শেমগৎপদসু মতেং

ওইরগনি। ঐখোয়না মায়োক্লরিবা মীশিং হেনগৎলকপগী সমস্যা অমদি অইং–অশা হোংলকপনা পীরিবা খুদোংচাদবশিং অসি য়েংলগা খোঙথাং অসি হৌজিক হৌজিকমক দরকার লৈরবনি।

৩৫. বজেট অসিনা নেচরেল ফার্মিংদা মতেং পাংনবা ৱারেপ লৌখি অমদি অনৌবা খোঙথাং অসিনা চাওরাক্লা লৌমী কোটি ১ কোনশিল্লগনি হায়না পারি। মসিনা ওর্গানিক ফার্মিংগী চাওনা প্রমোৎ তৌবা ঙমহল্লগনি। পলসেস অমদি ওইলসিদশিংদা মরোমদোম মতিক চানা পুথোকপা ঙম্বদা মতেং পাংগনি হায়না লাওথোকখিবা অসিনা লৌমীশিংদা চাওনা কান্নবা পীরগনি লোয়ননা লৈবাক অসিদসু কান্নহল্লগনি। কনজম্পসন সেন্তরশিংদা নকনা ভেজিটেবল প্রদক্সন ক্লষ্টর শেমগৎনবগী আইদিয়া অসিমক পোৎলম পুথোক্লিবা অমদি মসিবু শিজিন্নরিবা অনীমক্তা ইকান্দা–কান্নবা থৌরাংনি।

৩৬. প্রধান মন্ত্রিগী মিৎয়েং অসি নহাশিংদা থবক ফংহনবগী চাং হেনগৎহনবা অসিনি। মসিগীদমক্তা, থবক পীবা য়াবগী ক্রাইটেরিয়া লৈবা অসি দরকার ওই। থবক পীবগা মরী লৈননা ইন্সেন্টিভ পীবগী স্কীম অহুম বজেট অদুদা লাওথোকখিবা অসিমক তরান্না ওকফম থোকই। ইহান হানবা ওইনা থবক তৌরিবা ৱার্ক ফোর্স নত্ত্রগা ৱার্করশিংদা এক্সপিরিয়েন্স পীননবা শেমগৎলিবা অনৌবা পোলিসি অসি থাগৎনিংঙাইনি। স্কীম অসিগী মখাদা, ফোর্মেল সেক্তর খুদিংমক্তা নৌনা ৱার্কফোর্সতা চঙলক্লিবা মীওই খুদিংমক্তা থা অমগী লুপা লীশিং ১৫গী খূৎশূমল পীগনি। মখা তানা, স্কীম অসিনা থবক পীরিবা তৌরিবা অমদি ইহান হানবা ওইবা থবক তৌরিবা ৱার্কর এনগেজ তৌরিবা এমপ্লোয়রশিংদা মখোয়গী থবক তৌবগী অহানবা চহী মরি অদু ইঃপিঃএফঃও কন্ত্রিব্যুসন তৌদুনা অনীমক্তা ইন্সেন্টিভ ওইনা ফংহন্নবা পান্দম থল্লি।

৩৭. রাজ্য সরকার অমদি ইন্দষ্ট্রিগা খূৎশন্নদুনা স্কীল হেনগৎহন্নবা সেন্তরনা স্পোন্সর তৌবা স্কীম অনৌবা অমা লাওথোকপা অসিসু তরান্না ওক্লি। স্কীম অসিগী মখাদা, মথংগী চহী ৫ অসিদা নহা লাখ ২০ খূৎ-শা হৈবা হেনগৎহল্লগনি। কেন্দ্রনা মোদেল স্কীল লোন স্কীম অমা অমদি ইজুকেসন লোনশিং লাওথোকখিবা অসিনা তুং কোইনা মহৈরোয়শিংদা কান্নহল্লগনি।

৩৮. য়ুনিয়ন বজেট অসিনা নুপী অমদি নুপীমচাশিংদা কান্নবা ফংহনগদবা স্কীমশিংগী ওইনা লুপা কোটি লাখ ৩ হেনবগী শেনফম এল্লোকেট তৌরি।

৩৯. স্পিকর সার, বজেট অসিদা পিঃএম অৱাস যোজনাগী মখাদা রুরেল অমদি অর্ব্বানগী এরিয়াশিংদা অহেনবা য়ূম কোটি ৩ শানবা লাওথোকখ্রে। মসি মরুওইনা হন্দক্কী ঈশিং ঈচাও অমদি সাইক্লোন অদু য়েংলগা, ঐখোয়গী রাজ্যসু মসিদগী কান্নবা ফংলগনি।

৪০. প্রধান মন্ত্রি জনজাতিয়া উন্নৎ গ্রাম অভিয়ানগী মখাদা, ত্রাইবেল কম্যুনিটিশিংগী সোসিও-ইকোনোমিকগী ফিভম অসি ফগৎলগনি। পোলিসি অসিনা খুঙ্গং লীশিং ৬৩ কোনশিল্লগনি পারি অমদি ত্রাইবেল মীওই কোটি ৫দা কান্নহল্লগনি।

৪১. অৱাং নোংপোক ভারত্তা ইন্দিয়া পোষ্ট পেমেন্টকী ব্রাঞ্চ ১০০ হাংদোক্লবগী লাওথোকখিবা অসিনা রাজ্য অসিবুসু শুকশোয়-শোয়দনা কান্নহল্লগনি।

৪২. কেন্দ্র সরকারনা ক্রেদিট গেরেন্টি স্কীম অমা হাংদোক্কনি হায়না লাওথোকখিবা অসিনা, ঐখোয়গী স্মোল অমদি মেদিয়ম এন্টরপ্রাইজশিং, মরুওইনা মেন্যুফেকচরিং সেক্তরদা মথৌ তৌরিবশিংদা কান্নবা ফংহল্লগনি। স্কীম অসিনা এমঃএসঃএমঃই শিংদা কোলেটরেল অমদি থার্দ পার্টি গেরেন্টি য়াওদনা মেছিনরি অমদি ইক্বিপমেন্টশিং লৈনবগী

টর্ম লোনশিং ফংহনবদা খুদোংচাবা পীরগনি। তরুন কেটাগোরিগী মখাদা লৈবা হান্ননা লোন লৌদুনা লোনশিং অদু মপূং ফানা শিংগৎখ্রবা ওন্ত্রেপ্রোরশিংগী ওইনা বজেট অসিদা মুদ্রা লোন অসি লুপা লাখ ১০দগী লুপা লাখ ২০দা হেনগৎহল্লে।

৪৩. পিঃএম অৱাস যোজনা অর্ব্বান ২.০গী মখাদা, অর্ব্বান পোর অমদি মিদল ক্লাস ইমুং মনুং কোটি ১গী দরকার লৈবা হাউসিংগী তঙাইফদবশিং অদু শাননবা প্লানশিং য়াওরি। ঐহাক্না থাজে মদুদি অনৌবা এনাউন্সমেন্ট অসিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদসু কান্নহল্লগনি।

৪৪. স্পিকর সার, স্কীম ফোর স্পিসিএল এসিষ্টেন্স টু ষ্টেটস ফোর কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্ট (এসঃএঃএসঃসিঃআই / **সাসচি**) গী মখাদা লুপা কোটি লাখ ১.৫০দা লোং-টর্ম ইন্টরেষ্ট ফ্রি লোন এল্লোকেসনসু বজেট অসিদা লাওথোক্লে। মসিনা রাজ্য অসিদা তঙাইফদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং এক্সপান্দ তৌনবা অহেনবা শেলগী রিসোর্সকী মতেং পীরগনি। হৌজিক ফাওবদা **সাসচি** গী মখাদা থাদরকখিবা ফণ্ডশিং অসিগী কান্নবশিং রাজ্য অসিনা মপূং ফানা শীজিন্নখ্রে।

৪৫. অরোইবদা, ময়ামশিংগী মনুংদা অমখক্তা পঞ্জরবদা, লৈবাক অসিদা ৱার্ল্ড ক্লাস ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎনবগীদমক্তা য়ুনিয়ন বজেট অসিনা লুপা কোটি লাখ ১১, লীশিং ১১ চান্মা তরামথোই (১১,১১,১১১) এল্লোকেট তৌরে। মসি জিঃদিঃপি গী চাদা ৩.৪নি অমদি মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা ফিগরনি।

৪৬. য়ূনিয়ন বজেট অসিনা লাওথোক্লিবা পূন্নমক অমদি পীরিবা খুদোংচাবা কয়া অসিনা ইং ২০৪৭ ফাওবদা 'ভিকসিৎ ভারত' অমা ওইহল্লগনি।

৪৭.  স্পিকর সার, ঐহাক্না মথংদা ঐখোয়গী বজেটকী বজেটরি এল্লোকেসন অমদি মরুওইবা সেক্তোরেল প্রোজেক্টশিংলোমদা মায় ওনশিনজগে।

## লো এণ্ড ওর্দর, সেক্যুরিটি অমদি ফায়র প্রোটেক্সন

৪৮.  স্পিকর সার, লো এণ্ড ওর্দরগী ফিভম ফনা থম্বা অমদি মীয়ামগী পূক্নিংদা অকি-অখংগী ৱাখল লৈতনা থম্বা অসিমক সরকার অসিনা খ্বাইদগী অহেনবা মিৎয়েং চঙলিবা হীরমনি। হৌখিবা চহীশিংদা ঐহাক্না লান্থোকখিবা স্পীছশিংদা ঐহাক্না পঙ্খি মদুদি সরকার অসিনা ঐখোয়গী পুলিসকী ইক্বিপমেন্ট, ভেহিকল অমদি আর্মস-এম্যুনিসন অসি অপগ্রেদ তৌবা হৌরে। অপগ্রেদ তৌবা অসি চথরি অমদি ঐখোয়গী খোঙথাং অসিনা, মরুওইনা হৌখিবা চহীদগী হৌদুনা সেক্যুরিটিগী ওইবা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং, রাজ্য অসিবু ঙাক-শেনবদা মথৌ ফজনা পাঙথোকখি।

৪৯.  ঐখোয়গী পুলিস পার্সনেলশিংবু মথৌ তৌরিঙৈদা ঙাক-শেন্নবগীদমক্তা, মরুওইনা ভলনরেবল এরিয়াশিংদা ঙাক-শেন্নবগীদমক্তা, ঐখোয়না বুলেটপ্রুফ লাইট মোটোর ভেহিকল ৪০ লৈরে অমদি মসিনা পুলিসনা লো এণ্ড ওর্দর মেন্টেন তৌনবা চথোক-চৎশিন তৌবদা মপাঙ্গল কনখৎহল্লে। ইহান হানবা ওইনা ঐখোয়না মাইন প্রোটেক্তেদ ভেহিকল ১০সু  লৈরে। মসিগী গাড়ী অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা ষ্টেট পুলিস অতোপ্পনদি হেক্তা শীজিন্নদে। মসিগী কা-হেন্না আর্মর য়াওরবা ভেহিকলশিং অসিনা ষ্টেট পুলিসনা ভলনরেবল এরিয়াশিং এসেস তৌবা অমদি মফমশিং অদু ঙাক শেনবদা মতেং পাংলে। মসিগী মথক্তা ঐখোয়না হেনগৎলক্লিবা খুদোংচাদবশিং অসি ঙাক-শেন্নবা তোঙান তোঙানবা মখলগী খূৎশূ-খূৎলাই অমদি এম্যুনিসনশিং লৈরে। হৌখিবা চহী অসিদা ঐখোয়না ষ্টেট পুলিসকী গাড়ী, খূৎশূ-খূৎলাই অমদি এম্যুনিসনশিং লৈবদা লুপা কোটি ৮০ রোম চাদিং তৌখি।

৫০. পুলিস আউটপোষ্ট, পুলিস ষ্টেসন, হাউসিং নচিংবশিং য়াওনা ঐখোয়না পুলিসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদা অহেনবা মিৎয়েং চঙলি। মসিনা অনৌবা মফমশিংদা পুলিস থন্বা ঙমহল্লগনি লোয়ননা পুলিস পার্সনেলশিংগী লৈফম-চাফম পীরগনি। চখোক-চৎশিনগী খুদোংচাবা হেনগৎহন্নবা, খূৎশূ-খূৎলাই মতিক চাহনবা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবা, ট্রেনিং পীবনচিংবা য়াওনা ষ্টেট পুলিসকী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা মপূং ফাবা পেকেজ অমগীদমক কেন্দ্র সরকারদা লানখৎখ্রে অমসুং মসি এপ্রুভ শোয়দনা তৌরক্কনি হায়বসি ঐহাক্না থাজে।

৫১. লুপা কোটি লীশিং ২ চমাপন (২৯০০) হেনবগী এল্লোকেসনগী দিমাগুগা লোয়ননা, বজেট অসিদা হেক য়ারিবমখৈ ষ্টেট পুলিসকী মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমদি মতেং পাংনবগী এল্লোকেসন অদু মখা তানা পীরি।।

৫২. লো এণ্ড ওর্দর ঙাক্না থন্নবা কেন্দ্র সরকারগী মতেং অসি অদুক্কী মতিক য়ামখ্রে অমদি ঐহাক্না হীরম অসিদা লেপ্তনা মতেং পাংলকপগীদমক্তা ইকাইখুন্নজরিবা প্রধান মন্ত্রি অমদি ইকাইখুন্নজরিবা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রিবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

৫৩. ঐহাক্কী হান্না স্পীছতা রাজ্য অসিদা য়াঙনা অর্ব্বানাইজেসন তৌরকপা অসি য়েংলগা ঐহাক্না মপাঙ্গল কনবা ফায়র সার্ভিস অমা লৈবগী মরুওইবা অদুগী মতাংদা পঞ্জখি। কেন্দ্র সরকারনা 'এক্সপান্সন এণ্ড মোর্দনাইজেসন ওফ দি ফায়র সার্ভিসেস ইন দি ষ্টেট' কীদমক্তা লুপা কোটি ৪০.৫০ এপ্রুভ তৌবিরকপগীদমক্তা ঐহাক্না থাগৎচরি। মসিগী স্কীম অসিনা ঐখোয়গী ফায়র ষ্টেসনশিংবু অপগ্রেদ তৌবদা মতেং ওইরগনি অমদি অনৌবা, মতিক চারবা ফায়র টেন্দর লৌবা অমসুং ট্রেনিং অমদি এৱ্যারনেস পীনবগী ফণ্ড পীথবদসু মতেং ওইরগনি।

৫৪. চহী অসিগী জুলাই ১দা, অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম, হায়বদি, (ক) ভারতিয়া ন্যাই সমহিতা (খ) ভারতিয়া নাগরিক সুরক্ষা সমহিতা অমদি (গ) ভারতিয়া সাকশ্যা অধিনিয়ম অসিনা কোলোনিয়েল লো অহুমগী মহুৎ শিন্দোকখ্রে। অনৌবা লোশিং অসিনা ইন্দিয়াগী ক্রিমিনেল জষ্টিস সিষ্টেমদা অনৌবা মশক অমা হোংহল্লগনি অমদি মসি 'সিটিজন ফার্ষ্ট, দিগ্নিটি ফার্ষ্ট এণ্ড জষ্টিস ফার্ষ্ট' হায়বা ইহুল অদু য়েংলগা শেমখিবনি।

## হ্যুমেন কেপিটেলদা শেল থাদবা

৫৫. স্পিকর সার, ঐখোয়গী খ্বাইদগী মরু ওইবা রিসোর্স অসি ঐখোয়গী মীয়ামসিনি। লেণ্ড–লোক অমদি রিসোর্সতা লাইরজরবসু, ঐখোয়গী মীয়ামগী জ্ঞান–লৌশিং অমদি শূব–নোম্বা কনবা অদুনা ঐখোয়বু চাওখৎপা অমদি খূমাং চাওশিনবা ঙমহনগনি। সরকার অসিনা থাজে মদুদি ঐখোয়গী হ্যুমেন কেপিটেল অসিদা শেল থাদবা অসিনা রাজ্য অসিদা শেনমিৎলোন্দা চাওখৎহনবতা নত্তনা লৈবাক অসিদসু চাওখৎহনগনি। চহী অসিগী ওইনা মহৈ–মশিংদা পীরিবা আউটলে অসি লুপা কোটি ৩১০০ হেনবা শেনফমনি। **'স্কুল ফগৎহনসি মিসন'** অসিনা সরকারগী স্কুলশিংগী ক্বালিটি ফগৎহন্নবগী দরকার লৈবা অদু পীরি। ঐখোয়না স্কুল ৬০দা হৌদোকখি অমদি ফেজ অনী থোক্লা স্কুল ১২০দা হেনগৎখি। ঐহাক্লা মমাঙগী স্পীছশিংদা পঞ্জখিবদুনি মদুদি অতোপ্পা হাই অমদি হায়র সেকেণ্ডরি স্কুল ১২০ অমগসু লুপা কোটি ১৩৪ চঙনা দোনরগী এনঃইঃএসঃআইঃ দিঃএস স্কীমগী মখাদা মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা পায়খৎলি। প্রোজেক্ট অসি ভারত সরকারনা অথুবদা সেঙ্কসন তৌরগনি।

৫৬. হায়র ইজুকেসন অসিসু অতোপ্পা মরুওইবা সেক্তর অমনি। হায়র সেকেণ্ডরি স্কুল লোইরবা মতুংদা, ঐখোয়গী নহাশিং অসিনা রাজ্য অসিগী মনুংদা লৈবা অফবা কোলেজশিংদা তন্বা ফংবগী তঙাইফদবা অদু লৈ। সরকারগী কোলেজশিংগী

ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ফগৎহন্নবা, ঐখোয় **‘কোলেজ ফগৎহনসি মিসন’** হৌদোক্লে। স্কীম অসিগী মখাদা অহানবগী ওইনা কোলেজ ২৪দা মসি পায়খৎলি অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহনবগী থবক চত্থরি। ক্বালিটি লৈবা টিচিং-লর্নিং এইদ ফংহন্নবা কোলেজশিং অসিগী অতোপ্পা মেটিরিয়েলশিংগী মতেংসু পীরগনি।

৫৭. পিএম দিভাইন স্কীমগী মখাদা, ঐখোয়গী য়ুনিভর্সিটি অনিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা সেঙ্কসনসু ফংলে - লুপা কোটি ৫৪না মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী অমদি লুপা কোটি ৭১না ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগীনি। থবক পায়খৎপা চহী অসিদগী হৌরগনি। স্কীম অসিমক্তগী মখাদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী লুপা কোটি ৩১সু অথুবদা পীরক্লগনি থাজে।

৫৮. সিএম স্কোলার্সিপ স্কীম ফোর সিভিল সার্ভিস এসপিরেন্টস, সিএম মহৈরোয় ই-সপ্পোর্ট স্কীম, মেরিট স্কোলার্সিপ নচিংবা তোঙান তোঙানবা থৌরাংশিংগীদমক্তা ঐখোয়না মতিক চাবা এল্লোকেসন পীরি। ইজুকেসন সেক্তরগী থৌরাংশিং, প্রোজেক্ট অমদি এল্লোকেসনশিং অসিনা রাজ্য অসিগী মহৈ-মশিংগী থাক অদু হেনগৎহনবা অমদি ফগৎহনবা ঙমহল্লগনি।

৫৯. হেল্থ সেক্তরগী ওইনা ঐখোয়না চহী অসিগী বজেটতা লুপা কোটি লীশিং ১গা চাতরুক (১৬০০) এল্লোকেট তৌরে। হৌখিবা চহী খরসিদা ঐখোয়না হেল্থ সেক্তরতা লেপ্পা লৈতনা শেল থাদরি অমদি মসিনা প্রজা মীয়ামদা য়ান্না চাওনা কান্নবা ফংহল্লি। সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেটনা ফণ্ড পীথবা স্কীম কয়া অমা মীয়ামগী হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবা পূন্না পায়খৎলি। মসিদা চিফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং অমদি প্রধান মন্ত্রি জন আরোগ্য যোজনা, নেস্নেল হেল্থ মিসন অমসুং সিএমস হেল্থ ফোর ওল, ইনফ্রাষ্ট্রকচর

দিভেলপমেন্ট ওফ হেল্থ ফেসিলিটিজ অমসুং পিএম–অভিম, ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসন গ্রান্টস নচিংবা য়াওরি।

৬০. ঐখোয়গী প্রজাগী মেন্টেল হেল্ট অসিসু মরুওইবা হীরম অমনি। হীরম অসি কয়া য়েংশিনবা ৱাৎপা ওইনা তৌই। মসিগী মরুওইবা অদু য়েংলগা ঐখোয়না রাজ্য অসিদা পিএম দিভাইন স্কীমগী মখাদা লুপা কোটি ৭০ চঙনা ফমুং ৬০ লৈবা মেন্টেল হোস্পিটাল অমা শানবা প্রোজেক্ট অমা প্রপোজ তৌরে অমদি প্রোজেক্ট অসি কেন্দ্র সরকারনা সেঙ্কসনসু তৌরক্লে। চপ মান্নবা পিএম দিভাইন স্কীমগী মখাদা, লুপা কোটি ১০৬.৮৪ চঙগদবা **‘সুপর স্পিসিএলিটি এণ্ড এসোর্দ স্পিসিএলিটি হেল্থ কিয়ার ইন রিমোট এণ্ড হিল দিষ্ট্রিক্টস’** কৌবা স্কীম অমা প্রপোজ তৌখ্রে। প্রোজেক্ট অসি এপ্রুভেল অমদি সেঙ্কসন তৌরক্লবগীদমক্তা এদভান্স ষ্টেজতা লৈরে অমদি মসিনা চীংদা সুপর স্পিসিএলিটি হেল্থকিয়ারগী খুদোংচাদবা লৈরিবা অসি হন্থহল্লগনি।

৬১. স্পিকর সার, ঐহাক্কী সরকার অসিনা বেঙ্কশিংগা পার্টনরসিপ তৌদুনা অনৌবা ভেঞ্চরশিংদা খোঙ থাজিন্নবা নত্ত্রগা অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোকপা হান্ননা লৈরম্লবা বিজিনেসশিং পাকথোক–চাওথোকহন্নবা ষ্টার্টঅপশিং অমদি ওন্ত্রেপ্রেনোরসিপশিং প্রমোৎ তৌরি। সেক্তর অসিদা মায় পাকখ্রবশিং অমদি অনৌবা থৌরাংশিংগী মতাংদা ঐহাক্না হান্ননসু পঞ্জখ্রে । মণিপুর ষ্টার্টঅপ পোলিসি অমদি মরী লৈনবা স্কীমশিংগী মখাদা, বজেট অসিদা লুপা কোটি ১০০ গী বজেটরি এল্লোকেসন থল্লি। মসিনা ঐখোয়না য়ূমথোঙ খুদিংগী হিংনবগী লন্থী লৈহন্নবা থল্লিবা ঐখোয়গী অচেৎপা ফিরেপ অদু উৎলি।

৬২. খূৎ–শা হৈহনবা হায়বসি সরকার অসিগী খ্বাইদগী মরুওইনা লৌরিবা হীরম অমনি। খূৎ–শা হৈহন্নবগীদমক্তা, প্রধান মন্ত্রি কৌশল বিকাস যোজনা (পিঃএমঃকেঃভিঃৱাই), দিদিইউ–গ্রামিন কৌশল্যা যোজনা(দিঃদিঃইউ–জিঃকেঃৱাই), স্কীল এক্বিজিসন

এণ্ড নোলেজ এৱয়ারনেস ফোর লাইভলিহুদ প্রমোসন (সনকল্প), ষ্টার্ট–অপ য়াওনা তোঙান–তোঙানবা কেন্দ্র অমদি রাজ্যগী শেন্থুং মখাদা চলাইবা স্কীমশিংনা শেল থাদরি। মখা তানা, খূৎ–শা হৈহন্নবা অনৌবা স্কীম অমা য়ুনিয়ন বজেটতা লাওথোকখিবা অসিনা ঐখোয়গী ওইবা খূৎ–শা হৈরবা ৱার্কফোর্স অমা লৈহল্লগনি। মসিনা তুংদা দরকার ওইরকপা খুদিংমক মেনখৎপা ঙমহল্লগনি। ঐখোয়না তোঙান তোঙানবা সরকারগী স্কীমশিংগী মখাদা ফণ্ডিং, মেটিরিয়েল নত্ত্রগা ক্রেদিটকী মতেং পীদুনা খূৎ–শা হৈহনবা অমদি ট্রেনিং পীনবগী প্রোগ্রাম অমা পায়খৎলে। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মহৈ–মরোং থাবগী লমদা পূক্নিং চঙবা নহাশিংগী ট্রেনিং অমসু হন্দক্তা পাঙথোকখি। ট্রেন তৌরবা মীওইশিংগী সার্টিফিকেট পীনবসু ঐখোয়না থৌরাং তৌরি অমদি সরকারগী শেন্থুংনা খ্বাইদগী অফবা মহৈ অদু য়ানবা ঙন্নবা তোঙান তোঙানবা স্কীমশিংগী মখাদা মতেং পীনবা থৌরাংলি।

## এগ্রিকলচর (লৌউ–শিংউ)

৬৩. রাজ্যগী শেল–থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা লৌউ–শিংউ অসিসু মরুওইবা সেক্তর অমা ওইরি। মমাঙগী চহী অসি লৌউ–শিংউগী সেক্তরদা অৱাবা মায়োক্নবা চহী অমা ওইখিমরমদি রাজ্য অসিদা লৈরিবা তংদু–লৈতাদবা ফিভম অসিনা লৌফম কয়া অমা মহৈ–মরোং থাবা ঙমখিদে। কেস কয়ামরুমদা কম্পেন্সেসন পীখ্রে অমদি লেমহৌরিবশিংসু অথুবদা পীরগনি। অদুবু ঐখোয়না লৌউ–শিংউ পায়খৎপা য়াবা মফমশিং অসি লৌমীশিংনা মহৈ–মরোং থাবদা অকি–অখং লৈতনা পায়খৎনবা হোৎনরি। সমস্যা অসি চহী অসিগী মেদগী জুলাই ফাওবদা কন্না তাখিবা লেন অমদি ঈশিং ঈচাও অদুনা হেন্না শোকহল্লে। সরকার অসিনা শোকহল্লবা লৌমীশিংদা দরকার লৈবা মতেং পীনবা থৌরাং তৌরি।

৬৪. ষ্টেটনা মতেং তৌদুনা ফণ্ড থাদবা অমদি বেঙ্কশিংদগী ক্রেদিট লৌদুনা মতেং পীরিবা অসিগী মথক্তা সেন্ত্রেল্লি স্পোন্সর্দ স্কীমশিং (সিঃএসঃএস) অসিনা এগ্রিকলচর অমদি মরী লৈনবা সেক্তরগী ফণ্ডগী মরুওইবা সোর্স অমা ওইরি। ঐখোয়গী লৌমীশিংদা মপূং ফানা স্কীমশিং অসিগী কান্নবা ফংনবা অমদি মখোয়গী ইনকম হেনগঙ্ইহন্নবা, সেক্তর অসিগী ওইনা সিঃএসঃএস কী মখাদা লৈরিবা ফণ্ডশিং অসি ঐখোয়না লৌনবা থৌরাং তৌরি।

৬৫. এগ্রিকলচর, ফিসরি, হোর্টিকলচর, য়েন-লোইবা অমদি মরুওইনা ওর্গানিক ক্রোপশিং অসি রাজ্য অসিদা অচৌবা পোটেন্সিএল লৈ। সেক্তর অসিগী পোটেন্সিএল অসি মপূং ফানা লৌনবগীদমক্তা সরকার অসিনা চঙশিল্লি। এগ্রিকলচর অমদি মসিগা মরী লৈনবা অনিমেল হজবেন্দ্রি, ফিসরিজ, সেরিকলচর অমদি হোর্টিকলচরগীদমক্তা ঐখোয়না বজেট অসিনা লুপা কোটি ৮৮৩গী এল্লোকেসন থল্লে।

## চীংগী লমশিংদা চাওখৎ-থৌরাং

৬৬. স্পিকর সার, চাওখৎ-থৌরাংগী খুদোংচাবশিং অসি ঐখোয়গী চীংগী লমশিংদা মপূং ফানা ফংহন্নবা ঐহাক্কী সরকারনা হোৎনদুনা লাক্লি। তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী স্কীমগী মখাদা পীথবা ফণ্ডশিংগী মথক্তা, দিমাণ্ড ফোর ত্রাইবেল এফিয়ার্স এণ্ড হিলস কী মখাদা লুপা কোটি ৯১৯গী এল্লোকেসন পীরে।

৬৭. পোষ্ট অমদি প্রি-মেট্রিক স্কোলার্সিপ, কোন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ২৭৫গী মখাদা গ্রান্টশিং, প্রধান মন্ত্রি আদি আদর্স গ্রাম যোজনা, স্পিসিএল সেন্ত্রেল এসিষ্টেন্স ফোর ত্রাইবেল সব-প্লান নচিংবা য়াওনা ত্রাইবেল এরিয়াশিং চাওখৎহন্নবা সিঃএসঃএস কয়া

অমা পায়খৎলি। অতোপ্পা ফণ্ডশিংনা ১৫শুবা ফাইনান্স কম্মিসন গ্রান্টস অমদি ৪শুবা ষ্টেট ফাইনান্স কম্মিসন গ্রান্টস কী মখাদা পীথরি।

৬৮. হৌজিক চত্থরিবা স্কীম অমদি প্রোজেক্টশিং অসিগী মথক্তা, ঐখোয়না এনঃইঃএসঃ আইঃদিঃএস স্কীমগী মখাদা অনৌবা প্রোজেক্টশিংগীদমক্তা মিনিষ্ট্রি ওফ দোনরগা খূৎশন্ননা চৎলি। খৌপুম অমদি সিরুইদা লুপা কোটি ৮০ চঙগদবা টুরিজম প্রোজেক্ট অনি প্রপোজ তৌখ্রে অমদি এপ্রুভেল পীরকপগী এদভান্স ষ্টেজদ লৈরে। কামজোং অমদি চান্দেলগী বোর্দর দিষ্ট্রিক্টশিংগীদমক্তা লুপা কোটি ১৪০গী শেনফম ওইবা থোং অমদি লম্বী মরি শেন্নবগীদমক এনঃইঃএসঃআইঃদিঃএস রোদস কী মখাদা প্রপোজ তৌখ্রে অমদি মসি এপ্রুভেল পীরকপগী এদভান্স ষ্টেজদা লৈরে।

৬৯. মসি তুংদা পায়খৎলক্কদবা প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা খরনি অমদি চীংগী এরিয়াশিং শেমগৎনবগীদমক্তা কয়া অমসু পাইপলাইন্দা লৈরি। ঐখোয়গী রাজ্যগী চীংগী এরিয়াশিং চাওখৎহনবা হায়বসি ঐখোয়গী লেঙদ্রবা ফিরেপনি।

## এক্সটর্নেল্লি এদেদ প্রোজেক্টস

৭০. স্পিকর সার, হৌখিবা চহী কয়া অসিদা ঐহাক্কী সরকার অসিনা এক্সটর্নেল্লি এদেদ প্রোজেক্ট (ইঃএঃপি) শিংদা য়ান্না কন্না মিৎয়েং চঙলি। এক্সটর্নেল্লি এদেদ প্রোজেক্টশিং অসি, কেন্দ্র সরকারগী স্কীম অমনা অকক্লবা অতেনবা মতম অমদা লৈরিবা অহোবা অদু মেনশিনবা ঙমদবনা মরম ওইদুনা অচৌবা শেনফম দরকার লৈরকপা ক্রিটিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিংগী ওইনা য়ান্না মরুওইবা ফণ্ডগী সোর্স অমা ওইরি। ইঃএঃপি শিংনা অৰাং নোংপোক রাজ্যশিংদা চাওনা মতেং পাংলি মরমদি মসিগী লোন অমদি শেন্দোই অসিগী চাদা ৯০দি কেন্দ্র সরকারনা পুবি।

৭১. চহী কয়া অসিগী ঐখোয়গী হোৎনজমন অসি মহৈ য়াল্লে অমদি ঐখোয়না হীরম অসিদা চাওনা খুমাং চাওশিল্লে। রাজ্য অসিদা হৌজিক হৌজিক ইঃএঃপি ৬(তরুক) পায়খৎলি। মসিগী মনুংদা (ক) এঃদিঃবি না ফণ্ড থাদবা ইম্ফাল–কাংচুপ–তমেংলোং লম্বী শেম্বনি অমদি মসিগী প্রোজেক্ট অসি চহী অসিদা লোইশিল্লগনি। (খ) এনঃদিঃবি না ফণ্ড থাদবা মণিপুর ৱাটর প্রোজেক্ট (গ) কেঃএফঃদব্লিউনা ফণ্ড থাদবা ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট প্রোজেক্ট (ঘ) ৱার্ল্ড বেঙ্কনা ফণ্ড থাদবা দাম রিহেবিলিটেসন প্রোজেক্ট (ঙ) এনঃদিঃবি না ফণ্ড থাদবা সিৱরেজ প্রোজেক্ট ফেজ–টু (চ) এনঃদিঃবি না ফণ্ড থাদবা লম্ফেলপাৎ ৱাটর বোদি রিজুভিনেসন প্রোজেক্ট য়াওরি। পূন্না প্রোজেক্ট তরুক (৬) অসি চাওরাক্লা লুপা কোটি লীশিং ৭ রোমগী শেনফম ওইগনি।

৭২. ইঃএঃপি ৪(মরি) দি এদভান্স ষ্টেজদা লৈরে অমদি লোনগী নেগোসিএসন অমদি সহি তৌনবগী ঙাইরি। মখোয়দুদি (ক) এঃদিঃবি না ফণ্ড থাদবা ইম্ফাল রিং রোদ প্রোজেক্ট (খ) এঃদিঃবি না ফণ্ড থাদবা সষ্টেনেবল লোক্তাক লেক রিস্তোরেসন প্রোজেক্ট (গ) ৱার্ল্ড বেঙ্কনা ফণ্ড থাদবা মণিপুর ইনফোটেক দিভেলপমেন্ট (মাইন্দ) অমসুং (ঘ) এঃআইঃআইঃবি না ফণ্ড থাদগদবা মণিপুর অর্ব্বান রোদস (কোংক্রিট পেভমেন্ট) প্রোজেক্টনি। পায়খৎলক্কদৌরিবা প্রোজেক্ট ৪ (মরি) অসিনা লুপা কোটি লীশিং ৫গা চহুম (৫,৩০০) রোম ওইগনি। প্রোজেক্টশিং অসি রাজ্য অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ফগৎহনবতা নত্তনা চাওনা ইনভেষ্টমেন্ট লাক্কদৌরিবা অসিনা লাইভলিহুদ অমদি এমপ্লোইমেন্টকী খুদোংচাবসু ফংহল্লগনি।

## কন্নেক্তিভিটি

৭৩. কন্নেক্তিভিটি অসি রাজ্য অসিগী য়াম্না মরুওইবা সেক্তর অমনি। নেস্নেল হাইৱেগী থবকশিং অমদি বোর্দর রোদ প্রোজেক্টশিং অসিনা কেন্দ্র সরকারগী মখাদা লৈবা

এজেন্সিশিংনা মরুওইনা পায়খৎলবসু, রাজ্য সরকারনা লন্থীগী প্রোজেক্টশিং অসি পব্লিক ৱার্কস দিপার্টমেন্ট অমদি রুরেল ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী খুথাংদা পায়খৎলি। কেন্দ্র সরকারগী এজেন্সিশিংনা পায়খৎপা প্রোজেক্টশিং থাদনা, ফণ্ডগী সোর্সশিং অসি পুনশিল্লগা লন্থী অমদি থোংগীদমক্তা শেনবা চহী ২০২৪-২৫দা লৈরিবা কেপিটেল আউটলে অসি লুপা কোটি লীশিং ৩ হেনবগী শেনফমনি।

৭৪. পিঃএমঃজিঃএসঃৱাই প্রোজেক্টশিং অসি তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা হৌখিবা শেনবা চহীদা থেংথখি। তৌবতবু, থবকশিং অসি হৌজিক্তী তপ্না তপ্না খুমাং চাওশিল্লক্লি অমদি স্কীম অসিগী ফেজ-ৱান অমদি ফেজ-টু অসি অথুবদা লোইশিন্নবা পান্দম থল্লি লোয়ননা ফেজ-থ্রিগী থবকসু মতম অসিমক্তদা পায়খৎপা হৌরগনি। স্কীম অসিগীদমক্তা লুপা কোটি লীশিং ১গা চাতরুক মরিফুনিপান (১,৬৮৮)গী শেনফম খাক্লে।

৭৫. মমাংগী চহীদগী হৌনা ঐখোয়না সেন্ট্রেল রোদ ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফণ্ড (সিঃআরঃআইঃ এফ) কী রিসিট অসি হেনগৎপা ঙল্লে। হৌখিবা চহীশিংদা লৈরম্বা অপীকপা শেনফমশিংগা পানরুরবদি, শেনবা চহী ২০২৩-২৪দা ঐখোয়না লুপা কোটি ১৪৭ ফংবা ঙমখি। চহী অসিগী ওইনা ঐখোয়না বজেটতা লুপা কোটি ১৭০ হাপ্লে। রোদ প্রোজেক্টশিংগী ফণ্ডগী মরুওইবা সোর্সশিংগী মনুংদা সিঃআরঃআইঃএফ অমনি অমসুং ঐখোয়না মসিদগী অহেনবা ফণ্ড ফংহননবা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি।

৭৬. পায়খৎকদৌরিবা ইম্ফাল রিং রোদ প্রোজেক্ট অসিনা ইম্ফাল সিটিদা থোক্লিবা লন্থী চিনবা অসি হন্থহল্লগনি অমসুং মসিনা ফাওদুনা চৎলিবা রুরেল এরিয়াশিংগী শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহল্লগনি। মসিগী মথক্তা, কোংক্রিট রোদস প্রোজেক্ট অসিনা তুং কোইনা চৎকদবা অমদি মেন্টেনেন্স হন্থহনগদবা লন্থী শেন্না ঙমহল্লগনি। মসিদগী সেভিং তৌহৌবা

অদুনা সরকারনা চীং অমদি রুরেল এরিয়াশিংগী লম্বী শেমবদা অহেনবা শেনফম থাদবা ঙম্লগনি। এক্সটর্নেল্লি এদেদ প্রোজেক্ট অনি অসি লোন এগ্রিমেন্ট অমদি প্রোক্যোরমেন্টকী এদভান্স ষ্টেজদা লৈরে অমদি প্রোজেক্টশিং অসি সহি তৌনবা অসি চহী অসিদা পাঙথোক্কনি পারি। বজেট অসিদা  ইঃএঃপি প্রোজেক্ট অনি অসিগী লুপা কোটি ৯০০ এল্লোকেট তৌরে।

৭৭. ঐখোয়গী মমাঙগী গভর্নমেন্টতসু ঐখোয়না কন্নেক্তিভিটিদা অহেনবা মিৎয়েং থমখি। মসি ঐখোয়না মখা তানা অনৌবা থাক অমদা পুরক্লবা চত্থরি। কেন্দ্র সরকারগী মতেংগা লোয়ননা মশীং য়াম্লবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎলি। রেলৱে লাইন অসিসু অথুবদা ইম্ফাল য়ৌরক্লগনি। ত্রেনগী খুত্থাংদা তঙাইফদবা পোৎলমশিংগী অহানবা কোন্সাইনমেন্ট অসি খোংসাং রেলৱে ষ্টেসন্দা ২০২৩গী জুলাইদা থুংলখি। মখা তানা, চেঙ-চাক্কী অহানবা কোন্সাইনমেন্টনা ২০২৪গী জুলাই ১৩দা থুংখি। দরকার ওইবা পোৎলমশিং ত্রেনগী খুত্থাংদা য়ৌরকপা অসিনা রাজ্য অসিনা পোৎ-চৈ পুথোক পুশিন তৌবদা মায়োক্লরিবা অৱাবশিং অসিদগী কোকহনবা ঙমহল্লগনি।

## স্পোর্টস (শান্ন-খোৎনবা)

৭৮. স্পিকর সার, সরকার অসিনা স্পোর্টসকী হীরমদা পাংলিবা মতেং অসি লেঙদনা লৈরি। চহী অসিদা ঐখোয়না স্পোর্টস ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবা অমদি ঐখোয়গী স্পোর্টসপার্সনশিংবু মতেং পাংনবা মখল মখা কয়াগী থবক লৌখৎলে। ঐহাক্না হন্দক্তা হৌদোকখিবা 'স্পোর্টসপার্সন্স লাইলিহুড গেরেন্টি স্কীম' গী মতাংদা থমজখ্রে। স্কীম অসিনা এক্তিভ স্পোর্টসতগী পোত্থাখ্রবা অমদি হিংনবগী অতোপ্পা পাম্বৈ লৈত্রবা শান্নরোইশিংনা স্কীম অসিগী মখাদা কান্নবা লৌবা য়ারগনি। মসিগীদমক্তা ঐখোয়না

বজেটতা লুপা কোটি ৪ হাপ্লে। মপান লমগী কোছশিং নেকপা য়াওনা ঐখোয়না ঐখোয়গী স্পোর্টসপার্সনশিংগী মগুণ লৈবা কোচিং পীনবা ফগু হাপ্লে।

৭৯. ঐখোয়না ঐখোয়গী ইন্দিজিনস আর্টস এণ্ড গেমস, মেরিতোরিয়স স্পোর্টসপার্সনশিংগী পেন্সন, ফুটবোল অমদি ষ্টেট অসিগী অতোপ্পা ক্লবশিংদা মতেং পাংনবা ফগুশিং থাদরি। মণিপুর ফুটবোল একাদমি অমা শেমগৎনবগী প্লান পায়খৎলি অমসুং নেচরেল গ্রাসকী ফুটবোল ফিল্ডশিং শেমগৎনবা খোঙথাং লৌখৎপা হৌরে।

৮০. ঐখোয়না স্পোর্টিং ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং উপগ্রেদ তৌনবা শেম-শারি। খেল্লো ইন্দিয়া স্কীমগী মথক্তা, তোঙান তোঙানবা ফগুগী সোর্সশিংসু ঐখোয়না থিরি। ঐখোয়না এনঃ ইঃএসঃআইঃদিঃএস (নোর্ঠ ইষ্ট স্পিসিএল ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভেলপমেন্ট স্কীম) গী মফমদা প্রোজেক্ট ২ থাংগৎখ্রে। লুপা কোটি ৪০ ওইগদবা, খুমন লম্পাক্তা অনৌবা মল্টিপর্পজ ইন্দোর ষ্টেদিয়ম অমা শেমগৎনবগী প্রোজেক্ট অসি এপ্রুভেলগী এদভান্স ষ্টেজদা লৈরে। 'দিজিটেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর ওফ স্পোর্টস এক্সসেলেন্স' হায়বা অতোপ্পা প্রোজেক্ট অমসু ইনঃ ইঃএসঃআইঃদিঃএস স্কীমগী মখাদা পায়খৎনবা দোনরদা থাংগৎখ্রে।

৮১. পূন্না স্পোর্টস চাওখৎহন্নবা লুপা কোটি ৯৮ এল্লোকেট তৌরে। মসি স্কীম ফোর কেপিটেল ইনভেষ্টমেন্ট, খেল্লো ইন্দিয়া, এনঃইঃএসঃআইঃদিঃএস, এনঃইঃসি নচিংবা ফগু ফ্লো খেন্নবা স্কীমশিং অসিগী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর সপ্পোর্টকী মতেং অদু য়াওদে।

## ৱাটর রিসোর্স অমদি ফ্লদ কন্ট্রোল

৮২. সার, মোন্সুন লাকপা অসিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা ঈশিং ঈচাও হঞ্জিন হঞ্জিন্না থোকপা অসিনা থৱায় ৱাহল্লি অমদি চহী অসিগী মে অমদি জুলাই থাদা থোকখিবা ঈশিং

ঈচাও অদুনা অমাং অতা থোকহনখিবা অদুনা ময়েক শেংলবা খুদম অমা ওইরি। ঐখোয়গী সরকার অসিনা ঈশিং ঈচাওনা থোকহনবা অমাং–অতা কয়া অসি ঙাকথোক্লবা তোঙান তোঙানবা খোঙথাংশিং লৌখৎলি।

৮৩. রাজ্য অসিগী তুরেল ১০(তরা) গী রিভর বেসিন্দা ঈশিং ঈচাও মেনেজ তৌনবা ভারত সরকারনা 'ফ্লড মেনেজমেন্ট এণ্ড বোর্দর এরিয়া প্রোগ্রাম' সেঙ্কসন তৌরকখ্রে। প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা পায়খৎপা থবকশিং অসি খুমাং চাওশিল্লি অমদি লোইশিল্লবা মতমদা, ঈশিং ঈচাওগী ফিভম অসি লায়না থেংনবা ঙম্লগনি হায়না ঐহাক্লা থাজে। প্রোজেক্ট অসিগীদমক্তা লুপা কোটি ২২০ এল্লোকেট তৌরে।

৮৪. মমাঙদা ঐহাক্লা লম্ফেলপাৎ ৰাটর বোদি নৌনা শেমগৎপগী মরমদসু পঞ্জখ্রে। প্রোজেক্ট অসিনা লোইশিল্লবা মতমদা অহেনবা নোংগী ঈশিংগী রিজরভর ওইনা মথৌ তৌরগনি লোয়ননা ইম্ফাল সিটিদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাও অসি চাওনা হন্থহনবা ঙমহল্লগনি। হন্দক চুখিবা অকনবা নোং অদুদা ৰাটরবোদি অসিদা হেনগৎলক্লিবা ঈশিংগী কেপাসিটি অসিনা থংনবদা লৈরিবা মফমশিংদা পাক–শন্না ঈশিং ঈচাও থোকপদগী ঙাকথোকপা ঙমখি। মসিগী মথক্তা, রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা ৱেটলেণ্ডশিং কনজার্ভ তৌবগী থবকসু পায়খৎলি। খুদম ওইনা, ৱাইথৌপাৎ, য়ারলপাৎ, উত্ত্রাপাৎ, ফুমনোম পাৎ, জাইমেং ৱেটলেণ্ড নচিংবশিং অসিনি। মসিনা ঈশিং ঈচাও লাকশিনবগী থবক্তা মতেং ওইরগনি।

৮৫. অপূনবা ওইনা বজেট অসিনা প্রোজেক্টশিং অসিগী লুপা কোটি ৪৯০ এল্লোকেট তৌরে অমদি থবকশিং অসিনা রাজ্য অসিদা থোকপা ঈশিং ঈচাও মপূং ফানা থেংনবদা মায় পাকহল্লগনি।

## ইনভাইরোনমেন্ট এণ্ড ফোরেষ্ট

৮৬. হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাও অদুনা অইং–অশাগী খলদা অহোংবা লাকপা অসিনা ঐখোয়গী পুন্সিদা পীরিবা শাফু অসি হন্থহন্নবা ঐখোয়গী ইনভাইরোনমেন্ট অমদি ফোরেষ্ট অসি প্রিজার্ব তৌবা মথৌ তারে হায়বসি ঐখোয়দা নীংশিংহল্লে। মসিগীদমক্তা রাজ্য অসিগী মীপুম খুদিংমক্কী মতেং চঙই অমসুং পান্দম অসিগীদমক্তা পূন্না চঙশিনমিন্নবা দরকার ওই। ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেদা ইকাইখুন্নজরিবা প্রধান মন্ত্রিনা হৌদোকখিবা **'এক পের মা কে নাম'** হায়বা প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা মীপুম খুদিংমক্না উ চারা থাবিনা ঐহাক্না হায়জরি। সরকারনা স্কীমশিং অমদি প্রোজেক্টশিংগী শেল থাদবা ঙন্নবসু, মীয়ামগী মতেং য়াওদ্রবদি, ঐখোয়না তরু–তনানবা অমদি অশং–অমান্না থল্লবা, অইং–অশা খাঙবা ঙম্বা মণিপুর অমা ওইহন্নবগী পান্দম অদুদি ফংবা ঙল্লোই।

৮৭. হৌখিবা চহী খরসিদা ঐখোয়না লোক্তাক পাৎপু তেক্তা কায়দনা থন্নবা অমদি শেমগৎনবগীদমক্তা শেল কাইথোকখ্রে। 'ইন্টিগ্রেটেদ মেনেজমেন্ট প্লান' ওফ দি লোক্তাক লেক পায়খৎনবগীদমক্তা, কেন্দ্র সরকারনা চহী অসিদা লুপা কোটি ১৪৫ এপ্রুভ তৌদুনা সেঙ্কসন তৌরকখ্রে। স্কীম অসিগী মনুংদা য়াওরিবা কম্পোনেন্টশিং অদুদিঃ (ক) ইন্সটিট্যুসন এণ্ড গভর্নান্স (খ) লেণ্ড এণ্ড ৱাটর মেনেজন্টে (গ) স্পিসিস কনজরভেসন এণ্ড হেবিটেদ মেনেগজমেন্ট (ঘ) সষ্টেনেবল রিসোর্স দিভেলপমেন্ট এণ্ড লাইভলিহুদ ইমপ্রুভমেন্টনি। প্রোজেক্ট অসিনা ঐখোয়গী মমল য়াম্লবা পাৎ অসি নৌনা শেমগৎপা অমদি কন্নবগী মচাক অমা ওইরগনি। মসিগী মথক্তা, অতোপ্পা স্কীম কয়া অমসুং ঐখোয়গী ইনভাইরোনমেন্ট অমদি ফোরেষ্ট কন্নবগীদক্তা কেন্দ্র অমদি রাজ্য অনিগী ফণ্ডিংগী মখাদা পায়খৎলি।

৮৮. নম্বুল রিভর কনজরভেসন প্রোজেক্ট পায়খৎলবা মতুংদা, ঐখোয়না নেস্নেল রিভর কনজরভেসন প্রোজেক্ট (এনঃআরঃসিঃপি) গী মখাদা ‘রিজুভিনেসন ওফ দি ইম্ফাল–মণিপুর রিভর এলোং ৱিঠ ফিকেল স্লদজ এণ্ড সেপটেজ মেনেজমেন্ট এট ২৭ উব্বান লোকেল বোদিজ’ পায়খৎপিনবা কেন্দ্র সরকারদা প্রপোজ তৌখ্রে। বজেট অসিদা ইনভাইরোনমেন্ট অমদি ফোরেষ্ট সেক্তরগী ওইনা পূন্না লুপা কোটি ৪১৩ এল্লোকেট তৌরে।

৮৯. স্পিকর সার, ঐহাক্না বজেট অসিগী মরুওইবা এল্লোকেসন খরা থমজখ্রে। মতম লৈতবনা ঐহাক্না অতোপ্পা মরুওইবা এরিয়াশিং হাইলাইট তৌবা ঙমজদ্রে। ঐখোয়না সেক্তর অমত্তা চিথহন্দনা, রাজ্য অসিবু হীরম খুদিংমক্তা চাওখৎহন্নবা অচেৎপা ফিরেপ লেপচরি।

## বজেট এষ্টিমেট ২০২৪–২৫

৯০. সার, ঐহাক **ইং ২০২৪–২৫গী বজেট এষ্টিমেট**তা অমুক মায় ওনশিঞ্জরগে।

৯১. টোটেল রিসিট অসি লুপা কোটি লীশিং ৩৪ চহনিপান তরামঙা (৩৪,৮১৫) ওইগনি পারি। রেভিন্যু রিসিট অসিনা লুপা কোটি লীশিং ২৭ চাতরেৎ তরাগাতরুক (২৭,৭১৬) অমদি কেপিটেল রিসিটনা লুপা কোটি লীশিং ৭ শূপ্না মরিফুতরামাপন (৭,০৯৯) ওইগনি হায়না পারি। ষ্টেটস ওন টেক্স অমদি নোন–টেক্স রিসিটকী এষ্টিমেটশিং অদুনা মথংশিৎনা লুপা কোটি লীশিং ২, চামরিগা হুম্ফুতরা (২,৪৭০) অমসুং লুপা কোটি চহুম (৩০০) ওইগনি হায়না পারি।

৯২. ইং ২০২৪–২৫গী ওইনা, অপূনবা গ্রোস এক্সপেন্দিচর অসি ষ্টেটকী কোন্সোলিদেটিদ ফণ্ডদগী লুপা কোটি লীশিং ৩৪, চানিপানগা মরেফুতরামাপন

(৩৪,৮৯৯) ওইগনি হায়না প্রপোজ তৌরি। অপূনবা রেভিন্যু এক্সপেন্দিচর অসিনা লুপা কোটি লীশিং ২০, চাতরুক্কা কুন্নিপান (২০,৬২৮) ওইগনি পারি। কেপিটেল আউটলে অসিনা লুপা কোটি লীশিং ৮, চাতরুক্কা তরাতরুক (৮,৬১৬) ওইগনি পারি।

৯৩. সার, লোইশিল্লকপদা চহী অসিদা ওইগদবা শেল-থুমগী ফিভম অদু হাইলাইট তৌদুনা থমজগে। ফিস্কেল দিফিজি অসি লুপা কোটি (-) লীশিং ১গা চামঙা কুনতরুক [(-) ১৫২৬] ওইগনি পারি। মসি জিঃএসঃদিঃপি গী চাদা ৩নি। ২০২৪-২৫গী মনুংদা, অপনূবা আউট্স্টেন্দিং দেট অসিনা জিঃএসঃদিঃপি গী চাদা ৩৫ ওইগনি হায়না প্রোজেক্ট তৌরি।

৯৪. ২০২৪-২৫গী গ্রোস ষ্টেট দোমেষ্টিক প্রোদক্ট (জিঃএসঃদিঃপি) অসি লুপা কোটি লীশিং ৪৯ চামাপন কুনথ্রাতরেৎ (৪৯,৯৩৭) ওইগনি পারি।

৯৫. মসিগা লোয়ননা, মিষ্টর স্পিকর সার, ঐহাক্না ২০২৪-২৫গী বজেট এষ্টিমেট থমজরি অমদি চীং লেন্নবা হাউস অসিনা মসিবু অয়াবা পীবিগনি হায়না আশা তৌজে।